# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ চুচুরাংমৈ

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিটুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

চুচুরাংমৈ মণিপুরীশিংগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা পান্বীশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌবা য়াই। খূৎশেমগী হার হায়বদি কেমিকেল ফর্টিলাইজর কা হেন্না শীজিন্নদ্রিঙৈ মতমদা পান্বী-শিংবীশিংদগী শেন্বা হার শীজিন্নবগী চৎনবী অমা লৈরম্মী। মতম অমদা লৌফম অমা মতম কুইনা লৌ উদুনা লাকপদগী লৈবাক লৈশা অমদি লৈহাও মাঙশিল্লকপা মতমদা চহী অমদি হায়রিবা লৌফম অদুদা চুচুরাংমৈ পান্বী থাদুনা মপূং ফানা চাউরবা মতমদা ষণপোৎ খোইজিন্দুনা ঈশিং থাজিল্লগা থম্বদা হায়রিবা লৌফম অদুগী লৈবাক লৈশা ফগৎহনবগা লোয়ননা লৈহাও য়াম্না ফগৎহন্দুনা ফৌগী পোত্থোক ফজনা পুথোকপগী চৎনবী লৈরম্মী। অদুবু হায়রিবা চৎনবী অসিদি ঙসিগী বিজ্ঞানগী চাওখৎলবা মতম অসিদা খূৎশেমগী মখল কয়াগী হার পুথোরকপদগী মাঙখরে।

চুচুরাংমৈ পান্বী অসি ইংলিসতা সেসবান (Sesban) নৎত্রগা কমন সেসবান (Common sesban) নৎত্রগা ইজিপসিয়ান রেট্টল পোদ (Egyptian rattle pod) নৎত্রগা ইজিপসিয়ান রিভর হেম্প (Egyptian river hemp), ইন্দোনেসিয়াদা জয়েন্তী (Jayanti) নৎত্রগা জান্তী (Janti) নৎত্রগা পুরি (Puri), ফিলিপিন্সতা কাতুরে (Katuray) নৎত্রগা কাতোরাই (Katodai), ম্যান্মারিজদা য়াই-থা-কি (Yay-tha-Kyee) নৎত্রগা য়েথুগী (Yethugyi), কম্বোদিয়াদা নুৱা কুক (Snao Kook), লাওসতা সাপাও লোম (Sapao lom), থাইদা সামী (Sami) নৎত্রগা সাফাওলোম (Saphaolom), ভিয়েটনামিজদা দেন-দেন (Dien-dien), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *সেসবানিয়া সেসবান (Sesbania sesban (Linn.) Merr.)* নৎত্রগা *সেসবানিয়া ইজিপটিকা (Sesbania aegyptiaca Poiret)* নৎত্রগা *সেসবানিয় কোনফালোনিয়ানা (Sesbania confaloniana (Chiov.) Chiov.)* নৎত্রগা *এসকাইনোমেন সেসবান (Aeschynomene sesban Linn.)* নৎত্রগা *ইমেরস সেসবান (Emerus sesban (Linn.) Kuntze)* হায়না কৌই অমসুং ফেবেসী (Fabaceae) হায়বদি হৱাই থরাক পান্বীগী শাগৈদা চল্লি।



চুচুরাংমৈ পান্বী অসি য়াম্না থুনা চাউগনবা ফুট ২০ ফাওবা ৱাংবা চহী অমদগী হেন্না পুন্সিবা স্রব হায়বদি উ পান্বীমক্তি ওইদবা থোত্তক তৌবা পান্বীনি। পান্বী অসিগী মপাল অসি হঙ্গাম মপাল মচুদা অঙাংবা মচুগী মচেৎশিং য়াওদুনা চরোং অমদা লৈ মশীং ২দগী ২০ ফাওবা পাল্লি। পান্বী অসিগী মহৈ অসি মতুম তারপ তৌনা সেন্টিমিটর ৩০ ফাওবা শাংদুনা চরোং ওইনা পাল্লি। মহৈ অমদা মরূ ১০দগী ৫০ ফাওবা পাল্লি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না চুচুরাংমৈ পান্বী অসি খা থংবা এসিয়া অমসুং খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিংদগী ওইথোকপা য়াবদা ইন্দোনেসিয়াদগী হৌরকখিবনি। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংন্না চুচুরাংমৈ পান্বী অসি এসিয়াগী লমদমশিং মরুওইনা চাইনাগী য়ুনান প্রোভিন্স, ইন্দিয়া, পাকিস্থান, কম্বোদিয়া, লাওস, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়া, আফ্রিকাগী লৈবাকশিং মরুওইনা ইজিপ, ইথিওপিয়া, সোমালিয়া, সুদান, কেনয়া, উগান্দা, কেমেরুন, ঘানা, নাইজেরিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অৱাং থংবা লমদমশিং অসিদা হৌরকখিবনি নৎত্রগা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। বোটানিকেল সর্ভেগী মতুংইন্না ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা চুচুরাংমৈ পান্বী মখল অনী হৌই। মখোয়শিং অদুদি (ক) সেসবানিয়া সেসবান (Sesbania sesban (Linn.) Merr.) অদুগা অতোপ্পা অদুনা (খ) সেসবানিয়া বাইস্পিনোসা (Sesbania bispinosa (Jacq.) W.F. Wight) হায়বসিনি। অকোনবগী মখল অসিদদি পান্বী অসিগী মনাগী মখোক অদুদা তিঙ্খং (Hooked prickles) কোন্তক তৌবা অসি পাল্লি। ময়াম্না য়াম্না পাম্না থানবা মখল অদুদি সেসবানিয়া সেসবান অসিনি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না চুচুরাংমৈ পান্বীদা য়াওবা ইনর্জি অসি কিলো-কেলোরি ৫নি। ভিটামিনশিং মরুওইনা ভিটামিন সী (Vitamin C) অমসুং ভিটামিন বি-৯ (Vitamin $B_9$) অমসুং ভিটামিন বি-১ (Vitamin $B_1$) অসি মথংশিংনা চাদা ১৬.২২, ৫.০০ অমসুং ১.৪২ গী চাংদা চুচুরাংমৈ পান্বীদা য়াওই। মসিগী মথক্তা আইরন চাদা ২.১৩ অমসুং সেলেনিয়ম চাদা ১.৮২ অসি চুচুরাংমৈ পান্বীদা য়াওবগী পাউদমশিং লৈ।

য়াম্না কুইরবা মতমদগী চুচুরাংমৈ পান্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নদুনা লাক্লি। অতৈ পান্বী অয়াম্বদা ওইদবগুম চুচুরাংমৈ পান্বী অসি নুংশিত্তা য়াওরিবা নাইট্রোজেন অসি চুপশিন্দুনা হার শেন্বা ঙম্মী অমসুং মদু পান্বী মশা অদুনা শীজিন্নবগী মথক্তা মনাক্তা হৌরিবা পান্বীশিংদসু লৈহাও পীবা ঙম্মী। মরম অসিনা চুচুরাংমৈ পান্বী অসি Nitrogen fixing plant হায়না খঙনৈ। চুচুরাংমৈ পান্বী অসি অতোপ্পা মহৈ-মরোংশিংগা য়ানরগা থাদুনা পোৎথোক-চাথোক হেঙ্গৎহনবা ঙম্বা মরম্না য়াম্না পাক শন্না থানৈ।

চুচুরাংমৈ পান্বীগী মশা পূন্নমক অসি পৎথ-পুমথহল্লগা য়াম্না ফবা মখলগী হার শেন্বদা থোইদোক্লা মগুন লৈবা পান্বী অমা ওইনা মালেমগী মফম অয়াম্বদা শীজিন্নৈ। চুচুরাংমৈ পান্বী অসি য়াম্না কন্না শিৎপা নুংশিৎকী খোঙজেল হন্থহনবা ঙম্বা অমদি উরুম পীবা ঙম্বা মরম্না হৱাই, চুজাক, লশিং পান্বী অমদি অতোপ্পা মনা-মশিং থাবা মফমশিংদা ইন্টর-ক্রোপিং ওইনা থাবদা চুশিন্নৈ।

চুচুরাংমৈ পান্বীগী মতোন অমসুং মনা অদু শা-ষণগী য়াম্না ফবা মচিঞ্জাক অমা ওইনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী পীজনদুনা লাক্লি। মপূং মরৈ ফারগা চুচুরাংমৈ পান্বীগী মখোক অদু মৈ থানবা শীং ওইনা শীজিন্নবদা খুদোং চাই। চাইনাদদি থুমহী য়াম্না চেনবা মহৈ-মরোং থাবদা পোৎথোক হন্থরবা মফমশিংদা চুচুরাংমৈ পান্বী থাদুনা লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবদা শীজিন্নৈ। চুচুরাংমৈ পান্বীগী অনৌবা মতোন অমসুং মপান অদু এঞ্জাং থোংদুনা পাম্না চানৈ। য়েরুম তল হৌবদা চুচুরাংমৈগী অনৌবা মতোন অদু হাপ্নৈ। চুচুরাংমৈগী মরূ অদু হিংনা চারবদি হকচাং শোকনীংঙাই ওইরবসু নুমিৎ হুমনিগুম্বা তিংথোক্লবদি চাবদা থোইদোক্লা হকচাংদা অমাঙ-অতা থোকহন্দবগী পাউদমশিং লৈ।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না চুচুরাংমৈ পান্বীগী মনা অসি মীওইবগী হকচাং মনুংদা লৈবা তীল মখল কয়ামরুম হাৎপা ঙম্মী। মখল মখাগী অপোম-অতং তৌবদসু চুচুরাংমৈ মনা শুগাইদুনা শেন্বা মলম অদু তৈদুনা লায়েংনৈ।

অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না চুচুরাংমৈ পান্বীগী মনা অসিদা অঙাং য়ৈথবা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওই। অঙাংনা য়াং-চিংবা, নুপীনা ফিঙৌ চৎপা অমসুং সাইফিলিস হায়না খঙনবা নুপা-নুপী হকতিন্নবা অমদি চুপ্পবদা লৌনগনবা লায়না অসিদসু থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদমশিং লৈ। অশোক অপন তৌবদা খুদক্কী ওইনা চুচুরাংমৈ মনা শুগাইরগা থোমদুনা মহীক মতাং চঙদনবা শীজিন্নৈ। পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংশিংদা ঈদা য়াওরিবা রেদ ব্লদ সেল অদু য়াম্না থুনা কায়থহন্দুনা থোকহনবা অমাঙ-অতাগী লায়না অদু চুচুরাংমৈ পান্বী শীজিন্নদুনা লায়েংবা য়াই হায়বগী পাউদমসু ঐখোয়না থেংনৈ। ●

# ইরমদম কংলৈপাক্কী লাইবক নখোয়গী খূৎতা লৈরে - ২

## (দাইনামিক মণিপুর ইপিসোদ ১৬তা থমখিবা ৱারমশিং)

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ঙসিগী নহারোল কয়ানা নোংচুপলোমগী নাটপু য়াম্না চাওখৎপনি, অফবনি হায়না খন্দুনা ইল্লুবদগী অকায়বা ময়াম অমা পুরক্লে। খুদম ওইনা হায়রবদা নহা ওইরিবা লৈশাবী-পাখংশিংনা নোংচুপলোমগী চৎনবীবু চাওখৎপনি খন্দুনা মখোয়না পাখঙ-লৈশাবী হেক ফাবগা য়ূম্বাল্লবা মীওইশিংনা চৎপগুম তোৎন-তিন্নদুনা লৈমিন্নবা হায়বসি অফবা করিসু পুরক্তে। মখোয়না হায়রি, অসুম্না লৈমিন্নরবদি হেন্না শকখঙ মায়খঙনৈ, অমনা অমগী অফ-ফত্ত খঙদোক্লদুনা হয়েং য়ূম্বাল্লোন্দা চঙদুনা পুন্সি লৈপুল শেন্বদা মতেং পাংই হায়না য়েৎলি নোংচুপলোমগী চৎনবী অসিবু পামজবদা ঐখোয়গুম্বা মীওইশিংদা। মতাংসিদা হায়জনীংবদি অসিগুম্বা চৎনবী অসিনা ঐখোয়গী হৌজিক হৌজিক লৈরিবা খুন্নাই অসিগী ফীভম অসিদদি শুকচান হেক চানদ্রে হায়না থমজগে। মসিগী মরুওইবা মরমদি ঐখোয়দি অহল-লমন খঙনা, থকসি-খাসি নাইনা, থৌগল্লোন খঙনা, য়ূম্বাল্লোনবু য়াম্না লূম্না লৌদুনা লোয়নবী নৎত্রগা মপুরোইববু পুন্সি খোঙলোইনি খন্না চেকশিন্না খঞ্জবা, চৎচবা খুন্নাই অমা ওইবনা মখোয়গী ঙাইহাক লৈতনা নুংশিনজবা নৎত্রগা পুন্সিগী খোঙলোইবু করিসু লূম্না খনদবীদা হোংদোক হোংজিন তৌবসি চৎনদে। মখোয়গীদি চানদ্রে, য়ানদ্রে হায়দুনা হেক্তা খাইনবা হায়বসিনি। অদুগা, ঐখোয়গীনা হেক লুহোংখ্রবদি পুন্সিগী ওইনা লোয়নগদৌরিবা পুন্সিগী খোঙলোইনি হায়না খন্নদুনা ঙম্না ঙম্নবা তাইশিন্নদুনা পুন্সি খোঙলোই ওইনা চৎমিন্ননবা হোৎনরিবনি। য়াম্না খেন্নখ্রে। মখোয়গী অসিগুম্বা য়াম্না কোম্না চৎপগী ৱাখল্লোন অসিনা মরম ওইদুনা খাইনরগা লৈবসি অসুক্কী মতিক ৱাংখ্রে নোংচুপলোমগী লমদমশিংদদি।

মখোয়গী ঙাইহাক লৈতনা লুহোংবা মতুং, মচা মশু লৈরকান্দা ইরায় লায়না খাইনবগী য়ানা চে-চাং খরা খূৎয়েক পীনরগা খাইনবা হায়বসিনা মখোয় মতৈ মনাওদদি ফরম্বসু য়াই নৎত্রগা ফৎলমদবসু য়াই, অদুবু ফত্তবনদি অয়াম্বনি। কায়নবা, খাইনবা হায়বসিদবু থম্মোয় কায়নরিবনি। অদুনা হৌজিক্কানগী পাখঙ লৈশাবীশিংদি ঐখোয়দগী মশীং য়াম্না হেন্না থম্মোয় কায়রিবনি হায়না থমজগে। মরমদি মখোয়না মখোয়গী নুংশিনবশিংগা কায়নবগী চাংসি য়াম্না ৱাংবনিনা। ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈদদি কম্প্যুটর, ইন্টরনেট, সোসল মিদিয়ানচিংবসি শীজিন্নরমদবনিনা লৈশাবী অমা কোয়নবা হোৎনবদা ৱাখল মথা অসুক্কী মতিক শারকই। অদুবু হৌজিক্তি ইন্টরনেট অমদি সোসল মিদিয়াগী থোঙদা অসুক্কী মতিক লায়না নুংশি, পাম্মী হায়না ফোঙদোকপা ঙম্নরে। মসিনা মরম ওইদুনা মখোয় মখোয়গী নুংশিনজবনি হায়না নুংশিনরম্বা কয়া ইরায় লায়না কায়নবা ঙম্মী অদুগা ইরায় লায়না অতোপ্পা অমমুক কোয়নবা ঙম্মী। অদুগা কায়নবা খুদিং থম্মোয়সু কায়রিবনি হায়বসি কাউফদে। ঐখোয়গী মতমদদি নুংশি হায়না ফোঙদোকপদা থা কয়া কয়া চঙলিবনি, ফোঙদোকপা ঙমদনা অদুম তোকখিবসু কয়ানি।

মঙাশুবদা, ঙসিগী নহারোলশিংনা পোলিটিক্সতা মায় ওনশিনবা মথৌ তারে। মহৈ মশীন হৈবা মীওই কয়ানা গভর্ণমেন্টকী অচৌ অচৌবা ফম পায়দুনা থবক তৌরি অদুবু লাইরিক লাইশু নিংথিনা তমহৌদবা, মীতোপকা নিংথিনা ৱা ঙাঙনদুনা পাউ ফাওনবা ঙমদবা মীওই কয়া অমনা পোলিটিক্সতা চঙদুনা এম এল এ, মিনিষ্টর ওইদুনা লাইরিক লাইশু হৈরবা অচৌবা ওফিসর কয়াবু ইরায় লায়না করিসু লৈতনা অরানবা মওংদা শীজিন্নরি। মসিবু অচুম্বা লম্বী ওইরিব্রা, ওইদে। মসিগী থৌওংসিদি মথক মখা ওন্নরবনি। মরম অসিননি ইরমদম কংলৈপাক অসি পুমচাই চাইরিবা। মসি ইরমদম খক্তদা থোকপা নত্তে। ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা থোক্লিবনি হায়বসি ময়াম্নসু খঙবীরে। মসি থোকহল্লোইসি হায়রবদি মহৈ মশীন হৈবা নহারোলশিংনা পোলিটিক্সকী লম্দা পূক্নিং থিংজিনবা মথৌ তাই লোয়ননা লম্সিদা খোঙ থাংজিন্দুনা লুচিংবা ওইনবা নৎত্রগা লুচিংবা শেম্নবা হোৎনগদবনি। পোলিটিকেল পৱর য়াওদনা অফবা অহোংবা পুরকপা ওইথোক্তবনি। ইরমদমগী অমদি ইন্দিয়াগী পোলিটিক্স অসি য়াম্না মোৎলি খন্দুনা লাইরিক-লাইশু হৈবা, পুকচেল শেংবা, মরমদম্বু তশেংনা নুংশিজবা মীওই কয়া অমনা সুম য়েংদুনা লৈথোকপনা মতিক চাদবা, লাইরিক লাইশুসু হৈতবা অদুগা শেলদি পায়বা মথোং মরম চাদবা লুচিংবা কয়া থোরক্লিবা। অসিগুম্বা মখলগী লুচিংবশিং অসিনা লৈঙাক্লবদি ইরমদম করম চাওখৎপা ঙমগদৌরিবনো, ঙম্লোই। ইরমদম অসিদা অমদি ইন্দিয়াদা মতিক চাবা লুচিংবা খূৎনা থেক্তুনা থিবদা য়াম্না লায়না থোক্কনি অদুবু মথোং মরম চাদবা লুচিংবগী মশীংদি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে, মশীং থিবদা লোইরোই হায়বা য়াই। মসিননি ইন্দিয়ানা, ইরমদম কংলৈপাক্না মাঙদা চঙশিন্দুনা চাওখৎপা ঙমদ্রিবা। অমোৎপা পুখ্রি নৎত্রগা তুরেল অমবু মোৎলে হায়দুনা মপালদা লেপ্তুনা য়েংবনদি অমোৎপদো লৌথোকপা ঙম্লোই, অমোৎপা মরক্তুদা কুমথদুনা শেংদোকপা মথৌ তাই। মতৌ অসুম্না ঙসিগী নহারোলশিংনা অমোৎপা পোলিটিক্স অসিদা খোঙ থাংজিন্দুনা খুন্নাই অসিগী পোলিটিক্সতা লৈরিবা অমোৎপশিং অসি শেংদোক্লবা হোৎনগদবনি। মসি অরাইবা ওইরোই অদুবু তুংগী খন্দুনা থৌনা ফনা থেংনবা মথৌ তাগনি। অফবা খুন্নাই অমা শেমগে হায়রবদি অফবা লুচিংবশিং পুথোকপা মথৌ তাই, নৎত্রগা ইশা ইশানা অফবা লুচিংবা অমা ওইনবা হোৎনবা মথৌ তাই। ঙসিগী মীতোপ চঙশিল্লকপগী, ঙমখৈ মাঙশিল্লকপগী, থবক ফংলক্তবগী অমদি অতোপ্পা চয়েৎনবা ইস্যু কয়া লৈরিবসি শেমদোক্কে, হোংদোক্কে হায়রবদি লাইরিক লাইশু হৈবা, পুকচেল শেংনা মথৌ তৌবা, ইরমদম্বু তশেংনা নুংশিবা, থৌনা ফবা লুচিংবশিং মথৌ তারি।

অরোইবদা, ঐখোয়গী ৱাখল্লোন হোংদোকপা মথৌ তাই। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা হীরম কয়া অসি ঐখোয়গী ৱাখল্লোন হোংদোক্ত্রবদি মপূং ফানা শেমদোকপা, পাঙথোকপা অমত্তা ঙম্লোই। কংলৈ খুন্নাই অসিবু অফবা, অচুম্বা লম্বীদা পুশিনসি হায়রবদি অহানবদা ঐখোয়না য়াম্না মথৌ তারিবসি ঐখোয়গী ৱাখল্লোন হোংদোকপা অসিনি। মরুওইনা নহারোল নখোয়গী ৱাখল্লোন, চহী ৬০/৭০ মুকসিদা লৈরকখিবা ৱাখল্লোন কয়া ইন্দুনা সুম চৎলবদি ঐখোয় হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদগী নাম্থোকপদি লায়রদনা হেন্নদুম পুথগদৌরিবনি। লায়না অমবু মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি মদু ফগৎলকপগী মহুত্তা হেন্না হেন্না ফৎলক্তবগুম, ঐখোয়গী খুন্নাই অসিসু হেন্না হেন্না তীল চাবা খুন্নাই অমা হায়বদো ওইগদৌরিবনি। হান্না নৌরিঙৈদা শেমদোকহৌদবনা ঙসি ঐখোয় পূম্নমক তীল চারবা, নারবা, শোয়রবা, লম্মাংনরবা ফীভম অমদা লৈরিবা অসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি।

লোইশিল্লকপদা শল্লপ্পা অমুক পঞ্জরবদা, ঐখোয়গী মতম কুইনদগী লৈরল্লবা মিথ - লাইরিক নিংথিনা তমগে হায়রবদি শান্ন-খোৎনবা য়াওরুনু নৎত্রগা শান্নবদা মায় ওনশিল্লবদি ঐহাক লাইরিক তম্বা য়ারোই হায়বগী ৱাখল্লোনসিমা হোংদোকপা মথৌ তাই। মসিগী মহুত্তা লাইরিক লাইশু, মহৈ-মশীন তম্বগা শান্ন-খোৎনবা অমদি শাজেল তৌবগা পূন্না চৎমিন্নবনা খ্বাইদগী ফবা লম্বীনি হায়না খন্দুনা অনীসি পূন্না থম্নবা হোৎনবীয়ু। হকচাং ফনা লৈবনা অমদি মহৈ নীংথিনা তম্নবা হোৎনবীয়ু। লাইরিক লাইশু নিংথিনা হৈতবা হায়বসি মী তাংবগা পাঞ্জকনি হায়নরিবা কাউফদে। মসি তৌগে হায়রবদি করম্না মতমবু নিংথিনা য়েন্থোক্লদুনা শীজিন্নগদগে খঙবা মথৌ তাই অমদি মদু ইন্দুনা চৎকদবনি। চহী কয়া মাঙদুনা, শেঞ্জাও তিংদুনা ঐহাক্কী গভর্ণমেন্টকী থবক্তং তৌগনি হায়বগী ৱাখল্লোন হোংদোকপা মথৌ তাই ঙসিগী নহারোলশিংনা। মদুগী মহুত্তা, ইশা ইশানা তৌবা য়াবা থবক কয়া অমা লৈরিবসি তৌদুনা খুন্নাই অসিবু নি নিদুনা চাবগী হৈনবী অসিদগী কান্নবা হোৎনসি। ইশা ইশানা ইদোম লেপচবা ঙম্নবা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা খোঙ থাংজিন্দুনা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমা ওইনা থবক তৌনবা হোৎনগদবনি। ইশাগী হৌরকফম খঙদুনা ইশাগী ঈনাৎ, ইরোল, লাইনীং-লাইশোল অমদি হৌন লোনচৎ, থৌগল্লোন্নচিংবগী মতিক ময়াই নিংথিনা খঙজিন্দুনা অতোপ্পা খুন্নাইগী নাট, লাইনীং লাইশোন অমদি চৎনবীনা ঐখোয়গীদগী হেল্লি হায়বগী ৱাখল্লোনসি হোংদোকপীয়ু। ঐখোয়গী অৱাৎপা করিসু লৈতবনি, থিজিনবা ৱাৎপদগী খঙলুদবনি। হিংনবগী লানফমদা ঐখোয়গী পুন্সি ইরমদম কংলৈপাক্তা লৈবসু য়াই, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেট অমদা লৈরুবসু য়াই, নৎত্রগা অতোপ্পা মীরৈবাক অমদসু লৈরুবা য়াই, করিসু কায়দে। মরুওইরিবদি ঐখোয়না ইরমদম কংলৈপাক্কীদমক করিগুম্বা অঙম্বা খরা তৌরকপদুনি। ইরমদমদা লৈ হায়দুনা ইরমদম অসিগী অফবা করিসু তৌদ্রবদি ইরমদমদা লৈ হায়বগী থোইদোকপা ৱাহন্থোক লৈরোই। অরোইবদা, ঙসিগী নহারোলশিং পোলিটিক্সতা খোঙদাবা মথৌ তাই খুন্নাই অসিবু কনসি হায়রবদি। খুন্নাই অসিনা থেংনরিবা মীতোপ থোমজিল্লকপগী, ঙমখৈ মাঙশিল্লকপগী, থবক ফংলক্তবগী, চানবা লৈরক্তবগী অমদি অতৈ অতোপ্পা হীরম, ইস্যু কয়া অমা লৈরিবসি অফবা তুং কোয়না উবা ঙম্বা, থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌবা, মথৌনা ফবা লুচিংবশিং মথৌ তাই। পোলিটিকেল পাৱর য়াওদনা ইস্যুশিং অসি থেংনবা, শেমদোকপা, ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই। লোয়ননা অনৌবা অফবা, চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপা ওইথোক্লোই। অরোইবদা ঐখোয়গী হান্নগী ইশানা ইশাবু হন্থনা খঞ্জবা, ঙম্লোই, ওইরোই হায়বগী হৈনবীনচিংবগী ৱাখল্লোন অসি থাদোকপা মথৌ তাই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা - হকচাং ফনা লৈবদা, মহৈ-মশীন তম্বদা, ইদোম লেপচনবা হোৎনবদা, ঈনাৎ, ইরোল, লাইনীং-লাইশোন অমদি অতৈ হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন্নচিংবা ইনবদা, শৌগৎপদা, খনবদা লোয়ননা ইরমদম কংলৈপাক্কী ঙমখৈ ঙাকপদা অমদি মাঙদা চঙশিনবদা মায় পাকহনসি হায়রবদি ঐখোয় ঐখোয়গী ৱাখল্লোন হোংবা তাই অমদি ইরমদম্বু তশেংনা নুংশিবা মথৌ তাই। হান্নগী ৱাখল্লোনশিং অদুবু ইন্দুনা চৎলবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা অহোংবা করিসু পুরকপা ঙম্লোই। মপান্থোংগী অহোংবা অমা পুরকত্রিঙৈদা নুংগী ওইবা অহোংবা হান্না পুরক্লবা হোৎনগদবনি। নুংগী অহোংবা পুরক্কে হায়রবদি ঐখোয় হৌখ্রবা মাঙলমচৎতা থোকখিবা অরানবা, অশোয়বা মশক খঙদোকপা মথৌ তাই লোয়ননা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফীভমসু ময়েক শেংনা খঙজিনবা মথৌ তারি। হৌজিক ঐখোয়না ঐখোয়গী ৱাখল্লোন হোংদোক্তুনা মাঙলমচৎতা শোয়খিবশিং অমদি হৌজিক হৌজিক লৈরিবা অশোয়বশিং অসি চুমথোক্লবা হোৎনবদা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা নহারোলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবা মথৌ য়াম্না তারি। ইরমদম কংলৈপাক্কী ঙমখৈদা চয়েৎনবা লৈরিবা, ঙমখৈ মাঙশিল্লক্লিবা অমদি মীতোপ মীয়ানচাশিংনা নোংমা কাংদনা চঙশিল্লক্লিবা পূম্নমক অসিবু ঙাকথোকসি, থেংনসি হায়রবদি ঙসিগী নহারোলশিংনা পোলিটিক্সতা মায় ওনশিনবসু মথৌ তাই। পোলিটিকেল পাৱর য়াওদনা অফবা, অচৌবা অহোংবা পুরকপা য়াম্না ৱানা থোক্কনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা ঐখোয়না থিজিনবা অমদি নৈনবা ৱাৎহৌবনা ঐখোয়গী লৈজরিবা নিংথিজবা অমদি মতিক ময়াই কয়া অমা উরুদবনা ঐখোয় ইশানা ইশাবু হন্থনা য়েংদুনা লাক্লি অমদি ঐখোয়গী লৈজরিবা মতিক ময়াই লৈরবা ঈনাৎ, ইরোল, লাইনীং লাইশোন, হৌন লোনচৎ, ফিজেৎ চাকচানচিংবা কয়াবু হন্থনা য়েংদুনা লাক্লি। মসিগী ৱাখল্লোন অসি ঐখোয় থাদোকপা মতম ওইরে। ইশানা ইশাগী হৌরকফম খঙদ্রবা, ইশানা ইশাগী ঈনাৎ, লাইনীং-লাইশোন অমদি হৌন-লোনচৎপু ইকায়খুম্নদ্রবদি অতোপ্পনা ঐখোয়বু ইকায়খুম্নবীগনি খনবদি অরানবা ৱাখল ওইগনি। ●

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লগা মরী লৈনদে।